25T MMAN

# 2015

# MANIPURI

( Modern Indian Language )

Full Marks : 100

Pass Marks : 30

Time : Three hours

*The figures in the margin indicate full marks for the questions.*

Contd.

১। মান্না তেন্না ৱাহৈ অমা নত্রগী খরদা ইয়ু ঃ

১×১০=১০

(ক) 'মণিপুরবু নোংপোক ভারতকী কাশ্মীর'নি হায়না কনানা হায়রম্বগে ?

(খ) 'মণিপুরী সমাজবু এক্সরে থাদুনা পুথোক্লবা লাক্লরি।' পুথোক্লবা লাক্লরিবসি কনাননো ?

(গ) কবি চাউবগী খুৎইবু করম্বা তুরেলগী ঈচেলগা চাংদম্নবগে ?

(ঘ) নিশা চাবা থিংনবা মৈতে নুপীগী লুপশিংগী মমিং করি কৌবগে ?

(ঙ) অনাবা ফনবা হিদাকপু লান্না শীজিন্নরবদি মদু ইংরাজী ৱাহৈদা করি কৌবগে ?

(চ) 'Knowledge is power' হায়বসি কনানা হায়রম্বগে ?

(ছ) মৈতে লম্পাক্তা হৌবা লৈরাংবু করিগা চাংদম্নবা য়াবগে ?

(জ) 'করিনো অঙাওবা হোঞ্জিল্লু।' মসিদা পল্লিবা অঙাওবসি কনাবুনো ?

(ঝ) ক্বাক্তাগী নুংশিৎনা কনাবু মৌগী শীংদা চনহনখিবগে ?

(ঞ) 'অরীবা ঈশৈগী খোঙ্গুল লীরগনি।' মসিদা 'অরীবা ঈশৈ' হায়রিবসি করিবুনো ?

২। তেন্না ৱাহৈ পরেং ২/৩ দা পাউখুম পীয়ু ঃ

২×৬=১২

(ক) 'পাল্লুরবোই নোংমদি অশৈবগী মথম্মোয়।' অশৈবসি কনাবুনো ? মাগী থম্মোয়দা পাল্লুরিবসি করিবুনো ?

(খ) 'ফমদি ফম্মিন্ নগনি ; মায়দি ওনশিন্নরোই।' পল্লিবসি কনা কনাবুনো ? করি মরমগীনো 'মায় ওনশিন্নরোই হায়রিবসি ?

(গ) 'শিগে হায়রগা শিজখ্রো মী ওৎতুনা লৈগদবগী শরুকপুদি।'' কনানা কনাদা হায়রিবনো ? হায়বগী মরম্না করিগীনো ?

(ঘ) STD / STI গী মপুং ফাবা অশাংবা ৱাহৈশিংদু ইয়ু।

(ঙ) Puberty হায়বসি করিনো ?

(চ) "পোখারসনু মীরৈবাক্কী চেক্লা।' পল্লিবসিনা করিবু খঙহনবগে অমসুং কদায়দা পোখারসনু হায়রিবনো ?

3. "রবি অমসুং শরতকী উপন্যাসতা য়াওবা নুপীনা মৈতে নুপীগী মনাক নকচবা ঙম্মোই।"
ৱাফমসি অইবনা করিগীদমক্ হায়রিবনো ? মরম পীদুনা ইয়ু। ১+৩=৪

*নত্রগা*

"অসুম্না সংস্কৃত অমসুং বাংলা লোন্না চাহৎপীরন্নবা মণিপুরী লোন অসি মুক্তি ফংজবা কুইদ্রি।"
মণিপুরী লোনবু চাহৎপীরন্নবা লোন হায়রিবসি করিগীনো ? লোন অসিবু কনা কনানা মুক্তি ফংহনখিবগে ?

4. এডোলেসন্সকী মতমদা নহা ওইরিবা নিপা-নুপীশিংগী হকচাংগী পুক্নিংগী মওং করম তৌবগে ? ৪×১=৪

*নত্রগা*

"অদুনা ঐখোয় ইশানা ইশাগী ৱাখল পরিং চুমইবরা নত্রগা চুমদ্রবরা হায়বসি মনুং হঞ্জিন্না খন্থবগী মতমনি।"
হায়রিবসিগী মরমদা তাক্কুনা ইয়ু।

5. ৱাহং অনীদংগী পাউখুম পীয়ু ঃ ৪×২=৮

(ক) "শালি কুন্নাং না কুমওনবা
তরানিপান্না ওই ওইনা
নিফুগা তরুক ৱায়রকপা।"
— 'শালি কুন্নাং' হায়রগা করিবু খঙনবগে ? পল্লিবা চহী অসি করম্বা চহীবুনো ? খৃষ্টাব্দনা কয়া শুবনো ?
১+১+২=৪

(খ) “অমুদোন নোংয়াই হাক্তকফাও

শীঙেল লৈপোপ কায়রমদে — লৈরিদো,”

— অমুদোন নোংয়াই কনানো ? থৌদাকেসিগা মরী লৈনবা ৱারীদু ইয়ু। ১+৩=৪

(গ) “শিরুম নারুম্বা মৈতৈ” — হায়রিবসিগী নুংগী ওইবা ৱরোল ফোঙদোক্তুনা ইয়ু। ৪

৬। ৱাহং অনীখক্কী পাউখুম পীয়ু ঃ ৫×২=১০

(ক) লোক সাহিত্য কদায়বু কৌই ? মমাংঙৈদা লৈরম্বা মোইরাংগী চনুরাশিংগী ফিভম তাক্তুনা ইয়ু।

(খ) রামায়ণ অমসুং মহাভারততা মৈতৈ নুপীগুম্বা ফংলোই হায়রিবগী মরম করিগীনো তাক্তুনা ইয়ু।

(গ) “খম্ব – থোইবীগী ৱারীগী কাং শান্নবদা মঞ্জুনবা ঙৌবোং অমা ইল্লদুনা মচি অমদা ফল্লম্বা খম্বগী মশকনি।।”—

— পল্লিবসি কনানো ? মাগী মরমদা করি খঙবগে ? ১+৪=৫

৭। ইনখৎলকপা চহী মতাংদা নুপীমচাশিংগী অরানবা ৱাখল্লোনশিংগী মরমদা ইয়ু। ৫×১=৫

*নত্রগা*

“জ্ঞান হায়বসি শক্তিনি” কনানা হায়রম্বগে ? মসিগী মরমদা ইয়ু।

৮। ‘মৈতৈ চনু’ হায়বা শৈরেং অসিগী নুংগী ওইবা ৱাখল (ভাব) তাক্তুনা ইয়ু। ৫

*নত্রগা*

‘মণিপুর’ কৌবা শৈরেং অসিগী নুংগী ওইবা ৱাখল ঈচেল তাক্তুনা ইয়ু।

৯। য়াওফম মরী-মখোং তাক্তুনা শন্দোক্লা ইয়ু ঃ ৬×২=১২

(ক) "মাগী নীংবা কায়রনি
নোংনা পুমঙাল ঙান্দ্রিঁঙৈ
খঙঙি চেক্লা থেমদোকখিবনি।
শিদ ঈরা ইন্দুনা য়োকপনি।"

*নত্রগা*

"থিরখিনি নচাশিংনা নোংমদি
শিন্থরকপা পিগা লোয়ননা
অনুতাপ্পা চাক্লবা দুষ্যন্ত !
মতমদুদা নহাক্তি কদায়দা
কদায়দা ইমা কদায়দা।"।

(খ) 'মহাক্কী লোইবা নাইদ্রবা লীলাশিংনা ভাবকপু খন্থহল্লি অমসুং নোকহল্লি-নোক্লা নোক্লা খলহল্লি অমসুং খন্না খন্না নোকহল্লি।'

*নত্রগা*

"হায়দোক্লগদি ইকাইবা জাৎনি, য়োন্নবা লাক্লবদা ইলিশাগী মহাও কাউবু কাউশিল্লক্লে। ঙসিদি চারুরগে"।

১০। মখাগী ৱাহংশিং অসিদগী অহুমখক্কী পাউখুম পীয়ু ঃ ৫×৩=১৫

(ক) বিভক্তি (পংখৈ) কদায়বু কৌই? মখল কয়ানো খুদমগা লোয়ননা ইয়ু। ১+৪=৫

(খ) কারক (থৌবাঙ) কদায়বু কৌই ? মখল তাক্লগা খুদমগা লোয়ননা ইয়ু। ১+৪=৫

(গ) উপসর্গ (মাঙ ৱাতপ) কদায়বু কৌই ? মখল কয়া শুই ? খুদমগা লোয়ননা ইয়ু। ১+৪=৫

(ঘ) প্রত্যয় (ৱাতপ) হায়বসি করিনো ? মখল কয়ানো ? মখলশিংদু খুদম পীয়ু। ১+১+৩=৫

১১। অমগী মরমদা রচনা ইয়ু ঃ  ১৫×১=১৫

(ক) মীশিং য়ামখৎলকপা অমসুং চৈথেং  ১+২+৩+৩+১+৩+২=১৫

(i) ৱাহৌদোক ;

(ii) মীশিং য়ামখৎলকপগী মরমশিং ;

(iii) মীশিং য়ামখৎলকপদগী থোরকপা চৈথেং ;

(iv) মীশিং য়ামখৎলকপগী অৱাবা কোক্লবা সরকারনা লৌখৎলিবা থৌরাংশি ;

(v) মীশিং য়াম্বগী কান্নবা ;

(vi) মীশিং য়াম্বগী অমাংবা অমসুং সমস্যা

(vii) ৱারোইশিন।

(খ) অকোয়বগী ফিভম (Environment)  ১+৩+৩+৩+৩+২=১৫

(i) ৱাহৌদোক

(ii) অকোয়বগী ফিভম মোৎশিল্লকপগী মরমশিং ;

(iii) করি করি চৈথেং পিরিবা ;

(iv) মোৎশিল্লকপা কন্ননবা পাম্বৈ ;

(v) অকোয়বগী ফিভম ঙাকশেনবদা থৌদাং লৌরিবা মালেমগা-লুপশিং ;

(vi) ৱারোইশিন।

(গ) থকসি-খাসি নাইবা ২+৪+৩+৩+৩=১৫

*(i)* ৱাহৌদোক

*(ii)* কদায় কদায়দা থকসি-খাসি লৈগদবা ;

*(iii)* মসিগী কান্নবশিং ;

*(iv)* হৌজিক মাংথরকইবা শক্তম ;

*(v)* ৱারোইশিন।

———×———